জিরিবামদা প্রোঃ গাংমুমৈ কামৈগী ইলেক্সন কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, মার্চ ২৮ঃ মথং থা এপ্রিয়ল ৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৬ শুবা লোক সভা ইলেক্সনগী আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরিদা বি জে পি গী মীরেপ ওইরিবা প্রোঃ গাংমুমৈ কামৈগী ইলেক্সন কেম্পেইন ঙসি ষ্ট্রিট কোর্নর মীটিং পাঙথোক্লুনা হৌদোকখ্রে।

ঙসিনুংথিল পুং ১ রোম তাবা মতমদা জিরিবামগী বাবুপরাদা লৈবা সুপর মার্কেট মমাংদা ষ্ট্রিট কোর্নর মীফম অমা পাঙথোকখি। প্রোঃ গাংমুমৈ কামৈ,নাওরেম কাপু, এস পি হেনরি পানতৈ, অমদি বি জে পি জিরিবাম মন্দলগী রাকেশ্বর সিংহনা ময়াই তাংবলদা ফমদুনা ঙসিগী মীফম অদু হৌদোকখি।

মীফম অদুদা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংলদুনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা সেন্টরদা শোইদনা বি জে পিনা সরকার শেমগনি অদুনা মতিক চাবা প্রোঃ গাংমুমৈ কামৈবু পার্লিয়ামেন্টরিয়ান অমা ওইনা থাগৎসি। বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেট মোদিগী গুজরাটকী মোদেল ঐখোয়না তমসি। হন্দক্কী মণিপুরগী ষ্টেটকী ওইনা আউটরগী সিটিতা লেপ্লিবা কেন্দিদেটশিংনা বি জে পিগা ভোট মশিং থিনগনি হায়রিবা অসিনা তাক্লিবদি প্রোঃ গাংমুমৈ কামৈনা আউটর মণিপুর ষ্টেটকী এম পি শোইদনা ওইরগনি হায়খি।

ৱা ঙাংখিবশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লখিবদা কম্যুনেল ওইদবা, মতিক চাবা, মণিপুরগী ইন্তিগ্রীটিগীদমক লেপ্পা মীওই অমা নেসনেল পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা বি জে পি গী কেন্দিদেট অমা ওইহল্লকপা অসি ঐখোয়না কাওফম থোক্তে।

মীফম অদুনা প্রোঃ গাংমুমৈ কামৈনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি হায়বা পোলিটিকেল পার্টি অসি কম্যুনেল ওইবা পার্টি নত্তে, মীয়ামগী পার্টিনি। মতম খরা ঐহাক পোলিটিক্স থাদোক্তুনা লাইরিক ইদুনা লৈরুরে। অদুবু নেসনেল স্কোলারশিনা ইন্দিয়াগী নেস্নেল সার্ভিসতা য়াওদুনা চাউখৎনবা হোৎনবনা ফগনি হায়বা ৱাফম থম্বীরকখি । মরম অদুনা পোলিটিক্স য়াওদুনা লৈবাক অসিগী চাউখৎপা অমদি অফবা সমাজ অমা পুরক্লবা হোৎনবা মাইকৈরোমদা খোঙ থাংজিল্লকখিবনি। করিগুঞ্জ ঐনা শোইদনা ভোট কারবদি জিরিবাম মীয়ামগীদমক করিগুঞ্জ থবক খরদি তৌগনি হায়খি।

মীফম অদু লোয়বননা জিরিবামগী বরাক সার্কলনি হ য়াবা জাকুধোর অমদি গোৱাখাল হায়রিবা মফমশিংদা ভোট খোমখি।

রিও মণিপুরদা অমুক হন্না লাক্কদৌরি

ইম্ফাল,মার্চ ২৮ঃ লাক্লিবা লোক সভা ইলেক্সন্দা নাগালেন্দ ষ্টেটতা কেন্দিদেট অমা ওইরিবা নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টর নৈফ্যু রিও হয়েং অনিরকশুবা ওইনা মণিপুরদা লাক্কদৌরি হায়না নিউমাই নিউজ নেটৱার্কগী পাউ অমনা হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না রিও হয়েং অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা হেলিকোপ্তরদা তাইমৈদা লাক্তুনা ইলেক্সন রেল্লি অমদা ৱা ঙাংগনি। মদুগী মতুং তমেংলোংদা চৎতুনা নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কেন্দিদেট সোসো লোরহোগীদমক পাঙথোকপা ইলেক্সন রেল্লিদা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

নিংশিংবা য়াই নৈফ্যু রিও নাগালেন্দগী এনপিএফ, জেদি–য়ু অমদি এন সি পি অমদি বি জে পি গী কম্মন কেন্দিদেট অমসুনি ।

লমায় ১গী মখা

ঈশিং ফঙ্দবদগী ...

হৌরকপা ঙাইদৈলোক মরিলদগী ঈশিংনা শিজিন্নরম্বনি। অদুবু ঈশিং অসি দাম শাজিন্দুনা থৎলগা মোইরাং বজারদা অচৌবা প্রোজেক্ট অমা পায়খত্তুনা ঈশিং পীখ্রে।

মতম অদুদা প্রজাশিংগী মায়কৈন্দগী দাম শাবা তারবসু লমদম অদোমগী মীয়ামগী ঈশিং ফংহনবীনবা থবক পায়খৎপীনবা হায়জদ্দুনা লাকপনি। অদুবু মদু তৌগনি হায়না হায়রগা থবক ওইনা ওন্থোকপীদবনি।হান্না লোক অসিদগী লাকপা ঈশিংনা লমদম অদোমগী লৌ পরি লিশিং ২ হেনবা অসি লৌউ শিংউ তৌদুনা লাকপনি। অদুবু ঙসিদি লৌউ শিংউবদি লায়রদুনা শা ষণনা থক্লবা অমসুং মীয়াম্না থক্লবা ফাওবা লৈত্রে।

লমদম অদোমগী প্রজাশিং ঈশিং ফংনবা হোৎনবদা ঙাইদৈলোক মরিলদা নুঙ মরক্তা কোম মচা মচা তৌরগা মদুদা অরাকপা ঈশিং খরা চিথরগা মদু কল্লগা থক্ল চান্নবা য়াওনা য়ুমগী দরকার ওইরকপদা শিজিন্নরি। হান্না তেরাখোঙশাংবীদা লৈরিবা ভ্লাটর সপ্লাই স্কিম অসিসু ফেল ওইবনা মীয়াম ঈশিং থকপা ফঙ্দনা লৈরি। মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসিগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টরদা কয়ারক হন্না মেমোরেন্দম পীশিনখিবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা থোইনা কান্নবা ফংদনা লৈরি হায়না ফোংদোক্লরক্লি।

লম্বী থোং ফত্তদি...

লুচিংবশিংনা পাল্লিবা কংগ্রেস সরকার অসি শিন্দোক্লিংবগী অপাম্বা ফোংদোক্লখি। মণিপুরগী চীং অমদি তমদা ত্রিনামুল কংগ্রেসনা শোইদনা মায় পাক্কনি। মীপুম খূদিংমক্কা ঐ অমদি ঐগী হায়বা ৱাখল থাদোকমিন্নদুনা মীয়াম অমদি ঐখোয়গী হায়বা ৱাখল্লোন পোকমিন্নদুনা নুংশি–চান্না লৈমিন্নবগী অপাম্বসু ফোংদোকখি।

ওঝা নুপীদা কারন তারুবা ঝলজিৎ জেল য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ থাসিগী হৌখিবা তাং ২৫ তাকয়েলদা লৈবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ত্রেনিং ইন্সটিট্যুট (আই টি আই)গী ইলেক্ট্রোনিককী ওঝা নুপী অমা মখৌরি মেত্তুনা হাৎননবা হোৎনরম্বদগী পুলিসনা ফাদুনা লৈরকখিবা ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোয় লৈমপোকপম ঝলজিৎ (২২) অপোকপা কোকিন্দ্রো মাইবম লৈকাই লিৱা লম্বীদা লৈবা অসি ঙসি লম্ফেলদা লৈবা জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস ইম্ফালগী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং নুমিৎ ১৫নি জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথদুনা জেলদা থাজিনখ্রে হায়রি।

একুজ এল ঝলজিৎ ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা লম্ফেল পুলিসনা কোর্টতা পুথোরকপা মতমদা আই টি আইগী ওঝাশিং অমদি ভিক্টিম ওইরিবী ওঝা নুপী অদুগী লৈকাইগী মীওই কয়ানা কোর্ট মমাংদা থোমজিল্লক্তুনা ঝলজিৎ দন্দি পীয়ু হায়বা য়াওনা খোল্লাও কয়া লাওবগা লোয়ননা নুং অমদি মফম অদুদা তারম্বা পোৎশক কয়ানা ঝলজিৎনা তোংলিবা পুলিস গাড়িদা থোমজিল্লকখি।

হৌরক্লিবা মোব অদু কন্ত্রোল তৌননবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। মতুংদা পুলিসকী অহেনবা টিম চংশিল্লক্তুনা কন্ত্রোল তৌরবা মতুং কোর্টতা পুথোক্লগা নুমিৎ ১৫নি জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথবগা লোয়ননা জেলদা থাজিনখিবা, কোর্টতা ঈৱাং হৌরম্বশিংগী মনুংদা পুলিসতা নুং থাজিন্দুনা এটেক্ট তৌবদা য়াওবা আই টি আইগী ওঝা, গিৎচন্দ্র কৌবা কোংপাল খাইদেম লৈকাইদা লৈবা অমা পুলিসনা ফাখ্রে হায়রি। একুজ ঝলজিৎকী মথক্তা পুলিসনা এফ আই আর ৬৭(৩) ২০১৪ আই পি এস য়ু। এস, ৩২৫। ৩৫৪। ৩০৬। আই পি সি পাল্লি হায়রি।

লমায় ১গী মখা

এম এস সি পি কংগ্রেসতা মর্জ তৌনবা ফিরেপ লৌখ্রে

তৌনবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়বগী পাউ লৈরে। অদুবু পার্টি অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা কংগ্রেসতা মর্জ তৌবা লৈত্রি, মখোয় খরা চৎচখিবনি। মখোয়না মর্জ তৌরে হায়রিবা অসি অরানবা খোঙথাং ওইগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পার্টি অসিগী ওইনা পুন্না মীওই ১৫ না শাবা সেন্ট্রেল কম্মিতি অমা লৈ। হায়রিবা সেন্ট্রেল কম্মিতি অসিদা য়াওরম্বা পার্টিগী প্রসিডেন্ট ৱাই মণি অমসুং ৱার্কিং প্রসিডেন্ট দেবব্রত্ত য়াওনা মীওই ৮ না মর্জ তৌবগী মায়কৈদা লৈখ্রে, মীওই ৭না মসিগী মায়োক্তা লৈরি। মর্জ তৌবগী মায়কৈদা লৈখ্রবশিং অসিগী মনুংদা খরসু মশানা য়ানা খোঙথাং অসিদা শৌগৎপা নত্তে। মীফম লৈ হায়দুনা কৌরগা ফিরেপ অসিদা শৌগৎহনবনি।

পার্টি অসিগী ওইনা হৌজিক মর্জ তৌবা লৈতে, এম এস সি পি মখা তানা লৈখিগনি। মখোয়না চৎপা তারবসু নিয়ম চুম্না চৎপা ওইরবদি নুংঙাইগদবনি। মখোয়না লৌরকপা ফিরেপতা য়ানিংলোইদবা মীওইশিংগী মথক্তা মরাল শিজিন্দুনা খোঙথাং অসি লৌরকপা অসি য়ানিংদে।

এম এস সি পিগী প্রসিডেন্ট য়াওনা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল পোলিটিকেল পার্টিজ ফোরমগী ওইবা দিল্লি, গুৱাহতি অমসুং দিমাপুরদা পাংথোকপা মীফম কয়ারক্তা লোক সভা মীখল অসিদা পার্টিগী ওইনা মীরেপ থাদোক্তবা অসিনা মরম ওইরগা আউটরদা এন পি এফকী মীরেপতা শৌগৎনবা ফিরেপ লৌখিবা লৈ। মদুমক্তনা হন্দক্তা সেনাপতিদা পাংথোকখিবা এন পি এফকী মীফমদা পার্টিগী প্রসিডেন্ট ৱাই মণিবু মশানা য়ানা ৱা ঙাংগদবশিংগী মীংদা হাপখিবনি।

পার্টি অসিগী ফিরেপ মতুংইন্না, মহাক এন পি এফকী মীরেপ সোসো লোরহোগী মীখলগী প্রপোজর ওইখি। অদুবু হৌখিবা মার্চ ২৬ তা মহাক্কী মথক্তা পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌনবগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন কোল অমা থারকখি। চেরোল অদুদা মহাক পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌই হায়না মরাল শিরি। তশেংবদি মহাক্কী মথক্তা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি মহাক্না কংগ্রেসতা মর্জ তৌবা অসি য়ারোই হায়বা খঙবদগী তৌবা ওইগনি।

মখোয়না মর্জ তৌরে হায়বসি পার্টিগী সেন্ট্রেল কম্মিতি মেম্বর পুম্নমক পুরগা তোকপা ওইরবদি ফগদবনি। মদু নত্তবনা মখোয়না মর্জ তৌনবা ফিরেপ লৌরিবা অসি চৎনবা য়ারোই হায়খি।

পার্টি অসিগী ওইনা হৌজিক হাংদুনা লৈরিবা প্রসিডেন্ট অমসুং ৱার্কিং প্রসিডেন্টকী ফম অসি অথুবা মতমদা মেনশিন্দুনা পার্টি অসি মপুং ফানা থবক তৌরগনি। লোয়ননা হৌজিক পার্টি অসিদা লৈহৌরিবশিংনা এন পি এফকী মীরেপতা শৌগৎনবা চপ চাবা ফিরেপ লৌরে হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা ব্রুমেন্স ৱীংগী প্রসিডেন্ট বোন্তিয়া কৈশিং য়াওনা পার্টি অসিগী ডিষ্ট্রিক্টকী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

পুকচেল শেংনা থবক তৌদবদগী আয়ুস দিপার্টমেন্ট ...

শেমদুনা ইং ২০০৯ দা থাখি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসিগী মনুংদা মণিপুরদগী মাংশিল্লক্লবা উরৈরোম, চিংথ্রাও, শাম্বা পাম্বীনচিংবা কয়া য়োকখৎপগী প্রোজেক্টশিং য়াওরি। মণিপুরগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিং য়াওনা কংলা লাইফমলেন মনুংদা একর অহুম দা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎনবসু মণিপুর সরকারনা অয়াবা পীখি।

ভারত সরকারগী মায়কৈদগীসু হায়রিবা প্রোজেক্ট অসিগা মরী লৈননা থাগৎখিবা রিপোর্টশিং নিংথিনা য়েংলবা মতুংদা অয়াবা পীরকখি। চৈরকসিদা ষ্টেট মেদিস্নেল প্লান্ট বোর্দকী দাইত্ব লৈবা ওফিসার অমগী খুৎচাবী এনজিও খরগী মায়কৈদগী ইং ২০১৩ গী নবেম্বর ১১ দা প্রোজেক্ট অসিগী প্রপোজেল তৌরুবদগী ইং ২০১৪ গী জনুৱারী থাদা শুপ্তগী প্রোজেক্ট অমখক নত্তনা অতৈ প্রোজেক্টশিংদি লোইনমক হন্দোরকখি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী দাইত্ব লৈবা কর্ম্মচারিশিংনা পুকচেল শেংনা থবক তৌদবদগী লমদম অসিগী প্রজাশিংদা হকথেংননা য়ৌহন্দুনা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নবা আয়ুসকী প্রোজেক্ট কয়া ভারত সরকারনা এপ্রুভ তৌরবসু ইমপ্লিমেন্ট তৌবা অমদি য়ুর্টিলাইজেসন সাইন্টিফিকেট পীবা ঙমদবদগী মাংদুনা লৈরে। মখা তাবা প্রোজেক্টশিং পীরক্কদবসু হৌজিক ভারত সরকারগী মায়কৈদগী অথিংবা থল্লি হায়নসু পাউগী ছোর্স অসিনা পল্লি।

নাকল অমরোমদা হৌজিক দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈরিবা ষ্টেট মেদিস্নেল প্লান্ট বোর্দগী মখাদা হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী টেক্নোলোজি মিসনগী শেন্থং মখাদা বোর্দ অসিগী দাইত্ব লৈবা মীশক অমনা মোদেল এন্দ নর্সরি প্রোজেক্ট ময়ুমদা থমজিন্দুনা প্রজাদা য়ৌহনবা ঙমদনা লৈরে। মসিগী মথক্তা দিপার্টমেন্ট অসিগী ইক্কিভমেন্ট কয়া প্রজাদা হকথেংননা য়ৌহনবগী মহুত্তা মতম কুইনা নোংখাঙ চাইদুনা লৈরম্বদগী স্কিন সেপ্টিগীদমক মফম অমদা পুল্লপ থমজিন্দুনা লৈরি। হায়রিবা ইক্কিভমেন্টশিং অসিগী মনুংদা মমল য়াম্নবা মেছিন কয়া অমসু য়াওরি । নোংখাঙ চাইরম্বদগী লৌশিন্দুনা থমখ্রবসু মেছিনশিং অদু শিজিন্নবা য়াবগী আসাদি উদ্রে হায়নসু পাউ অসিনা পল্লি।

মণিপুর প্রজাগীদমক য়াইফনবা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট অসিগী দাইত্ব লৈবা মকোক থোংবা কর্ম্মচারিশিং খনবা মতমদা এক্সপিরিয়েন্স লৈবা, মতম কুইনা এদমিনিষ্ট্রেসন্দা লৈরক্লবা অমদি পুকচেল শেংনা প্রজাগী থবক তৌগদবা মীওইশিং খনবীরবদি দিপার্টমেন্ট অসিগী কান্নবা প্রজানা ফংবা ঙমগনি হায়নসু পাউ অসিনা ফোংদোক্লি।

রেপিষ্ট ফাদ্রবদি খোঙজং চংশিনগদৌরি

প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ফোংদোকখ্রে।

মখা তানা মহাক্না ফোংদোকখিবদা মরাল লৈরবা রেপিষ্ট অসি ফাবিনবা মরি লৈনবা পুলিস ষ্টেসন্দা পুলিসনা মরাল লৈবা কনখৎলগা থল্লিবা করিনো, লৈবাকসি লো লৈতবগা মান্নরে।

নুপীমচা অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৮দা ইমুন্দা চংলক্লগা মুহিনা ইজৎ মাংহনখিবনি। মতুংদা থাদুগী ২১দা থৌবাল পুলিসতা কেস থাঙ্গৎখি। থাদুগী ২৫দা মীয়ামগী ওইবা মীফম পাংথোকখ্রবা মতুং মরাল লৈবা দন্দি পীযু হায়দুনা ফেব্রুৱারি ২৭তা তোঙান–তোঙানবা সিভিল সোসাইটিশিং য়াওনা মীয়ামগী রেল্লি চৎখি। অদুবু ঙসি ফাওবা মরাল লৈবা লোৎশিন্দুনা ফাদনা লৈবা করিগীনো, অথুবা মতমদা ফাদুনা দন্দি পীদ্রবদি জে এ সিনা মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোংজং চংশিল্লগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

পায়েংজরি DUTTA CLINIC পায়েংজরি

উনসাগী লায়না, অত্তৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্ট্রিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং হ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

অত্তৌবা পকপা :
[illegible]

তাং-তাং চিকপা :
[illegible]

দাইবেটিসকী প্রোব্লেম :
[illegible]

নুংশং :
[illegible]

গ্যাষ্ট্রিকী প্রোব্লেম :
[illegible]

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবীয়ু!

নুপাগী প্রোব্লেম :
[illegible]

নুপীগী প্রোব্লেম :
[illegible]

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম
[illegible]

শমগী প্রোব্লেম
[illegible]

[illegible]
[illegible] Family [illegible]

[illegible]
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
HOMEO & UNANI MEDICINE
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong Imphal

[illegible]
COCI COMBINED COACHING INSTITUTE
URIPOK KHOISNAM LEIKAI, OPPOSITE OIL PUMP (IMPHAL)
A mission for a better society


Okram Napoleon Grade-A1 (91%) HSLC Exam
D. Saud 90.8% HSSLC Exam
Sadananda 84.0% HSSLC Exam
Joychandra 84.5% HSSLC Exam
N.Samananda 84.0% HSSLC Exam
W. Mustakim 14th Rank Holder HSLC Exam
Chingkheinganba
Robinson

ADMISSION OPEN
ADVANCED FOUNDATION COURSE (COHSEM & CBSE)
*CLASS XI & XII Sc.
Phy, Chem, Maths, Bio & Eng

SPECIAL FEATURES:
- Analysis of the most probable Q with Ans for Final Exams,2015
- Regular Sunday Unit Test Series
- Provided High Scoring Exam. Technique
- Vision for Toppers.
- Taught by well experienced Faculties.
- 50% Fee concession for Physically challenged students.

Facilities:
Separate Hostel for Boys & Girls and Van Service

ADMISSION FORM AVAILABLE FROM 04:30 a.m. TO 07:30 p.m.

CLASS SCHEDULE
Morning : 04:30 to 07:30 a.m.
Evening : 04:30 to 07:30 a.m.

CLASSES COMMENCING ON 3rd APRIL, 2014
CLASS X (FC) - FIRST BATCH - Classes commenced
CLASS X (FC) - SECOND BATCH - Classes commencing from 1st Week of May

FOR DETAILS PLEASE CONTACT: OFFICE, COCI

কন্টেম্পোরারি প্লেদা থিয়েটর মিররগী 'মৈতৈ ষণ' উৎখ্রে

-অকেন শিজেংব্রকপম-

মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন, ইম্ফালগী হোলদা চথরিবা নমণিপুরী ইনসেম্বল ইম্ফালনা মিনিষ্ট্রিজ ওফ কলচর গর্ভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী

মখাদা পাঙথোকপা মরিশুবা ফেষ্টিভেল ওফ কন্টেম্পোরারি প্লেজগী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা থিয়েটর মিররগী 'মৈতৈ ষণ' উৎখ্রে।

প্লে অসি মনি য়ুম্নামনা ইবনি। অদুগা এল শ্যামকিশ্বরনা দিরেক্সন পীদুনা য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন হুইদ্রোম লৈকাইনা পুথোকপনি। অইবগী ৱারোলদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না মহৌশাদগী লৈজরক্লবা মৈতৈ ষণবু য়েংশিনবীদনা মখোয়গী মহুৎতা মপাল লমদগী শঙ্গোম য়াম্না থোকপী জর্সি হায়রগা খঙনবা ষণ মখল অসি পাক্তক্লনা লোইনরকখি। লৌমী অমা ওইরিবা অমুজাওনা মহাক্কী ময়ুমদা লোইরিবা ষণ লাবা অদুগা পোৎপা ওইনা মীঙোন্দগী ষণ অমা ৱাইরগা লৌ খোইবনচিংবা কয়া তৌখি।

অমরোমদা মপালগী ষণ জরসিশিং পুশিল্লক্তুনা শঙ্গোম য়াম্না থোক্লবা হোৎনরকখি। লোয়ননা লমদম অসিগী মহৌশাদগী লৈজরকপা ষণ অমোম ফাওবদা মপাল লমগী জরসিগী চারা লৌদুনা জর্সি ওইনা পোক্লবা হোৎনখি।

শঙ্গোম য়াম্না থোক্লবা হোৎনরুবা য়ুমজাওগী মচানুপা খম্বগী লোয়নবী মেমচানা মখোয়গী য়ুমদা শঙ্গোম লৌবা লাকপা নন–মণিপুরী রামদাসকা অরোনবা মরী লৈনখি। মসিনা মরম ওইদুনা মহাক্না পোক্লিবা মচানুপা অদুসু রামদাস মানবনা মরম ওইদুনা খম্বনা মহাক্কী নুপীবু মপামদা পুথখিনবা হায়রমখি। বা মচানুপা অদুসু রামদাস মানবনা মরম ওইদুনা খম্বনা মহাক্কী নুপীবু মপামদা পুথখিনবা হায়রমখি।

য়ুম অদুদা লোইরিবা ষণ অমুবা অদু মখোঙ তেকপদগী মুস্লিমদা য়োম্থোক্লবা ৱা লোয়নখি। মহাকপু মুস্লিম অমনা লৈবা লাকখি। মদুসু য়াম্না অহোংবা মমলদা শুপ্পগী লুপা লিশিং ৪ দা য়োনবা তাখি। মহাক্না যনগোন অমত্তদা কুন্দুনা লৈমিন্নরকখিবী ষণ অমোম অদুনা য়োনখ্রগনি হায়বা অদুদা থম্মোয় কায়খি। উপায় লৈত্রবা ষণ অদু মুস্লিম অদুনা থৌরিনা চিংদুনা পুখিবা কয়া অদুবু উৎপনি মৈতৈ ষণ।

মৈতৈ ষণগী শক্তম লাংখিবা থোংজু নব মমাংদা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেল কয়াদা বেষ্ট এক্টর নত্রগা বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্টরগী মনা লৌখ্রবা আর্টিষ্ট অমনি। ঙসিগী প্লে অসিদসু মহাক্না মৈতৈ ষণ অমগী শক্তম লাংদুনা নিংথিনা এক্ত তৌখি। ষণ অমোম শাখিবী এল মোইরাংলৈমসু য়াম্না নিংথিনা এক্ত তৌখিবী আর্টিষ্ট অমনি। প্লেরাইট অসিনা ষণ অমোম অসিগী ৱাখলদা লমদম অসিদা লৈরিবা

মৈতৈ ষণশিংগা শঙাইগা চাংদম্নদুনা উৎপা অদু য়াম্না মপুং ফাই হায়বা য়াই। কনাগুম্বা অমত্তনা মৈতৈ ষণগী মরমদা তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বদু খল্লদে। অদুবু মৈতৈ ষণ অদুগী ৱাখলদা শঙাইনা মহাক্কীদমক্তা সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাং কয়া অদুবু ষণবী অদুদা হায়রম্বা কয়ানা অমুক হন্না নুংশিবা ফাওহনখি হায়বা তাই। উপাই লৈত্রবা ষণবী শাখিবী দব্লিউ কিরনমালাগী এক্ত অদু য়েংলিবা ভাবকশিংনা থাগৎনখি। অদুগা সঙাই শাখিবী আর কে প্রোমিলাগী মতেক অমগী পার্ফোমেন্স অদুসু থাগৎনখি। ষণ জর্সি লাবগী শক্তম লাংখিবা ও সন্তোসমনিনা মৈতৈ ষণ অমোম অদুবু শরাক তম্নবা তান্নরকপদা লমদম অসিগী মৈতৈ ষণশিংনা ষণ লাবা জর্সিবু ৱাইখিবগী শক্তম অদু হৌজিক্কী মতমদা থোক্লিবা সমাজগী ঈৱাং অসিবু পুশিনবা সিন অমনি হায়না লৌবা য়াই।

প্লে অসিদা গোলা রামদাস শাখিবা ৱাই রাজেনগী ৱাহে ৱাতাদা নন মণিপুরী মাল্লগসু শঙ্গোম লৌবা লাকপদা মহাক্না তোংলক্লিবা সাইকল অদুসু য়াম্না হল্লি। মহাক্কী ফিজোলশিং অদুসু য়াম্না নাল্লি। মসি মথংগী প্লেশিংদা থোক্নবা কষ্ট্যুম পায়রিবশিংনা নিংথিনা য়েংশিনবা চুমগনি।

ঙসি উৎকদবা প্লে
এক্টরস রিপরটোরি থিয়েটর থৌবালগী
'অনৌবা য়েন্নিং অমা'

লমায় ১গী মখা

সাউথ–ইষ্ট এসিয়া লৈবাকশিংগী খোঙচৎ অমদা মীৎয়েং–(২)

ইন্দিপেন্দেন্স মোন্যুমেন্ট অসিগী মখা থংবা মাইকৈদা মমাই মখা ওন্না নিংথৌ নোরোদোম সিহানোক্কী অশাবা মীতম অমসু থমদুনা নিংথৌ মশানা মরৈবাক্কী নিংতম্বা ফংনবা হোৎনখিবা কয়াবু কম্বোদিয়াগী মীপুম খুদিংগী থম্মোইদগী লাপথোকহন্দুনা লৈহল্লি। নোম পেনগী ফজবা অমদি চাউখৎপগী মমি মফম অসিগী মনাক নকপা মফমশিংদা উবা ফংগনি।

অয়ুক্কী পুং ১১ রোম তারকপা মতমদা লম্বী চিনবা হেনগৎলকই। প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস য়েংনবা হোৎনবদা য়েংবা ঙমখিদে। মরম অদুনা রিং রোড লৈবা রোং ভেং মোল রোডতা লাক্তুনা ৱাত নোমদা অদুম চৎলে। কম্বোদিয়াদা লাকপা লমকোইবশিংনা ৱাত নোম অসি য়াম্না মরু ওইবা মফম অমা ওইনা লৌনৈ। কম্বোদিয়াগী কোনুং নোম পেন থোনখিবগী ৱারীগী হৌরকফম ৱাত নোমনা ওই। মফম অসি নোম পেনগী জিরো কিঃমিঃ নি। নোম পেন হায়বসি পেনগী চীং হায়বনি, ৱাত নোম হায়বসিনা চীংগী লাইশঙ হায়বনি।

ইং ১৩৭২ দা দোন (ইবেমপোক) পেন হায়না খংনবী অহল ওইরবী নুপী অমা তোনলে সাপ তুরেলগী নোংচুপ থংবা তোবর্বান্দা লৈবা চাক্তোমুক কৌবা মফম অমদা লৈরম্মী। নুমিৎ খুদিংগী তুরেন্দগী ঈশিং শোকপা চৎলি। নোংমা মানা ঈশিং শোকপা চৎপদা অকংবা কোকী উ (Hapea odorata) অমা তাওথরক্লম্মী। মহাক্না অকংবা উ অদু শিঙ থাননবা তুরেলগী মপান্দা চিংখৎলম্মী। অঙকপনি! উদুগী উক্রোং অহোবদা বুদ্ধগী মীতম মরী অমসুং বিষ্ণুগী মীতম অমা দোন পেননা ফংখি।

অসিগুম্বা অঙকপগী মশক ওইরবা মীতমশিংসি ফংজবদগী খমের হায়বদি কম্বোদিয়াগী কোনু অসি নোংমদি শুকশোই শোইদনা চাক্তোমক হায়বা মফমসিদা ওইরক্কনি হায়না মপুনা থৌজানবিগনি হায়না লৌজে। তশেংবদি কম্বোদিয়াগী কোনুং মফমসিদগী নোংচুপলোমদা কিঃমিঃ ৩৫০ রোম লাপ্পা লৈবা শিয়াম রিপকী মনাক্তা লৈবা অঙ্কোরদা ওইবা মতম্নি। নৌনা ফংলকপা অশেংবা মীতমশিংসি নিংথিনা লাৎচবা ঙমজনবা হায়দুনা মহাক্না চাক্তোমুক্ত চীং মচা অমা শেম্নমই অমসুং অশেংবা খুভম ওইরম্মী। অহল ওইরবী পেন না শেমজবা চীংনি হায়দুনা পেনগী চীং "ফেনোম পেন/ নোম পে" হায়না খংহনখি। লাইশঙ অদুক্তা চীংদা লৈবা লাইশঙনি হায়দুনা ৱাত নোম কৌখি।

সিয়াম হৌজিক্তা থাইলেন্দ লৈবাক হায়না খংনরবা লমসিনা অঙ্কোর লৌশিনখ্রবদা কম্বোদিয়াগী মতমদুগী নিংথৌ পোনহেয়া যাতনা নোম পেন্দা কোনুং ওইরখি। ৱাত নোমগী মশাইগোন্দা নিংথৌগী লৈফম ওইরখি অমসুং লাইশঙ থমখি। ১৪৩২–১৫০৫ (চহী ৭৩ চুপ্পা) নোম পেন্দা কম্বোদিয়াগী কোনুং ওইখি। ১৯২০ দা নোম পেনবু Pearl of Asia হায়না মীঙৌনখি। পোচেন্তোং ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্ট (হৌজিক্না নোম পেন ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্ট) অমদি রেল লম্বী কয়া শেমগৎতুনা য়াম্না চাউখৎপা থাক অমদা নোম পেন না লৈজরবসু ৱাত নোমদা লাৎলিবা বুদ্ধগী মীতমশিং অমদি দোন পেনবু কনানসু কাওনহৌদ্রি।

লম্বী চিংদুনা য়েংবা ঙমহৌদ্রবা কম্বোদিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস অমুক য়েংবা চৎখি। প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসকী মতমসি অয়ুক্কী পুং ৭ তগী ১১.৩০ ফাওবা অমা অদুগা নুংথিলগীনা পুং ২ দগী ৫ ফাওবা ওই হায়। চইনানা অচংবা শেল পুম্নমক পুথোক্তুনা কম্বোদিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস অমা শাবিবনি হায়বা বিল্ডিং অমা গাইদনা তক্তুনা য়েংহনখি। য়াম্না লূ–নাল্লি, ফজৈ অদুবু কম্বোদিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা চইনানা শাবিবা বিল্ডিং অসিদা ফমদুনা থবক তৌনিংদে, ফম্মু য়াদে হায়বদগী বিল্ডিংদুগী হেক অৱাং থংবদা হেন্না ফজবা অচৌবা বিল্ডিং অমা অমুক শাদুনা মদুদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস ওইহৌই। চইনানা শাবিবা বিল্ডিংদু ইহাং–হাংনা শিজিন্নদনা লৈহৌই।

ঐখোয় ময়াম মেকোং তুরেল অমসুং সাপ তুরেল অনিগী ইতিন্নফম ওইবা থাইনগী নিংথৌনা লৈরম্বা কোনুং Royal Palace য়েংননবা Sothearos Boulevad ত য়ৌরক্লে। ১৯ শুবা চহী চাগী ময়াই থংবা মতমদা তুরেল অনিগী তিন্নফমগী নোংচুপ থংবা তোবর্বান চাক্তোমুক হায়না খঙনবা মফমসিদা মমাই নোংপোক ওন্না শাবা কোনুং অমা লৈ। কোনুং অসি ১৮৬৬ দা NEAK OKHANA TEPNIMITH MAK কৌবা আর্কিটেক্ট অমনা দিজাইন তৌদুনা শাবনি। ১৮৭৩ দা অকোইবগী চেকপল মরেপ অমুক হাপকৎতুনা ৱাংখৎহনখি। কম্বোদিয়াগী নোম পেন্দা লৈরিবা সনা কোনুং অসি মরাক্ন মিটর ৪০২ অদুগা ময়ুংনা মিটর ৪৩৫ ওইদুনা পুন্না পাকচাওবা বর্গ মিটর ১৭৪,৮৭০ ওই। কোনুং অসিদা মরুওইবা মফম মরী লৈ। মখা থংবদা লুপাগী লাইশঙ "Silver Pagoda", অৱাং থংবদা "Khemarin Palace", ময়াই থংবদা "Throne Hall" অমসুং মনিং থংবদা Inner Court লৈ। খরা অমনা নৌনা শেমজবা ওইরবসু ১৯ শুবা চহী চাদগী লৈরক্লবা শঙ কয়া হৌজিকসু লৈরি।

সনা কোনুংসিগী ময়াই থংবা মফমদা লৈরিবা Throne hall অসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। নিংথৌ, ফম্নাইবশিং অমসুং কোনুংগী অতৈ কয়াগী থৌগাইফম্নি। নিংথৌগী ফম্বাল তোংবা অমদি লুহোংবনচিংবা লাইনিং লাইশোন অমদি সনা থৌগল কয়াগী থৌরমশিং ঙসি ফাওবা হায়রিবা মফম অসিদা পাংথোক্লি। মকোক মরি লোংবা বর্মাগী অচৌবা মীতম্না শঙ অদুগী মতেন্দা তেন্দুষীত ৱাংনা হাপ্তুনা মিটর ৫৯ ৱাংবা Throne Hall নি। ময়ুংদা সিংহাসন অহুম লৈ। ফম্বাল তোংবা মতমদা নিংথৌ মহারানিগী ফম্ফম ওই। ছত্র মথাং ৯ পানবা সিংহাসনগী মায়কৈ চুথেক মরীদা য়ুংদুনা থম্মী। মনুং সিংহাসন লৈবা কা অসি মী চংহন্দে অমদি ফোটো নম্বা য়াদে। চেকশিন্না ঙাক শেল্লি।

Throne Hall সিগী চিংখৈ পাংবদা জগোই, ঈশৈ নোংমাই তৌনবা ওপন এয়ার পেবিলিয়ন অমসু লৈ। মমিং chand chhaya (Moonlight) Pavilion কৌই। ১৯১৩–১৪ দা নিংথৌ Sisowath কী মতমদা শাখিবনি। নিংথৌনা মীয়ামদা ৱা ঙাংবনচিংবসু মফম অসিদা তৌই। হৌজিক পাল্লিবা নিংথৌ নোরোদোম সিহা মোনিসু মাগী ফম্বাল তোংবগী থৌরম ইং ২০০৪ দা পাংথোকখিবা অসিদা হায়রিবা পেবিল্লিয়ন সিদগী মীয়ামদা পাউজেল পীখি অমসুং অচৌবা চাকলেন অমসু খাংখি হায়।

অসুক চঙ্খ্রবা সনা কোনুংগী লমশিং তরু তান্না নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্মী। হৈ লৈ উ ৱা থাদুনা হৈকোল লৈকোল ফজনা শেমহৌই। বোনসাই পাম্বী কয়াসু থম্মী। নিংথৌ মহারানিগী শঙ্গইসু কোনুং মনুংসিগী কৈত্রক পাংবদা লৈহৌই।

কোনুং মনুংগী মখা থংবদা লৈরিবা লুপাগী লাইশঙ Silver Pagoda অসিনা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনফম ওই। মী য়াম্না চিল্লি। মীৎফম হোংবা য়াদ্রবা ফজরবা অমদি মরু ওইবা পোৎশক কয়া লাইশঙসিগী মনুংদা থম্মী। চংবদা খোঙউপ মোজা লৌথোকই। ফোটো নম্বা য়াদে। লাইশঙ অসি বুদ্ধ লাংপা লাইশঙগুম্বনি। অদুগা অমরোমদা মমল য়াম্নবা অমদি অরিবা লন কয়া থম্বা ম্যুজিয়ম অমগুম্বনি। মসি ইম্মরেল বুদ্ধগী পাগোদা লাইশঙনি।

সনানা শাবা অরেপ্পা বুদ্ধ (মশামক্তা চঙবা মান্নবা) অমা মায়কৈ মরীমক্তা গ্লাসনা খাজিন্দুনা থম্বা শক্তম অসি থোইদোক হেন্দোক্লা ফজৈ। মীৎফম হোংবা ঙমদে। খুৎ চনা শাবা কম্বোদিয়াগী খুৎ–শা হৈ–শিংবগী অৱাংবা থাক বুদ্ধগী মীতম অসিদা উবা ফংই। সনা কিলোগ্রাম ৯০ না শাবনি হায়। চঙ্ৱাক্লা ফিট ৬ লোম ৱাংগনি। ফিট ২ রোম ৱাংগদবা ফম্পাক মথাং ৫ লৈবা অমগী মথক্তা বুদ্ধগী অশাবা মীতম অসি লেপ্তুনা লৈ। বুদ্ধ অমদি মকোক্তা কুপ্রিবা লুহুপ, ঙক্তা থোল্লিবা লিক, মশাদা লৈতেংলিবা ফিরোল পুম্নমক সনানা শাবা ঙক্তনি। মসিগী মথক্তা দাইমন্দ ৯,৫৮৪ না মফম কয়াদা থল্লিবা বুদ্ধগী ফজখ্রবা মীতম্নি। হায়রিবা ফজখ্রবা বুদ্ধগী মীতম অসি Sisowath না ১৯০৪ দা শারম্বনি।

মসিদা নক্তা সনা কিলোগ্রাম ২০ না শাবা নিংথৌগী দোলাই Zade তগী ফক্তুনা শাবা বুদ্ধগী মীতমশিং, মকোক তরেৎ লোংবা নাগরাজনা খনবা বুদ্ধগী মীতম্নচিংবা কয়া লাইশঙ মনুংদা মশিং য়াম্না লৈহৌই। ইঞ্চি ১০ / ১০ মুক পাক চঙ্জাদবা সিলভর প্লেট মশিং ৫৩২৯ না তইলগ্গা পাগোদা লাইশঙ অসি ফ্লোরিং তৌহৌই। সিলভর প্লেট অমমম্না কিলোগ্রাম ১.১২৫ রোম লুম্মি হায়। য়াম্না ফজবা সিলভর পাগোদানি। লাইশঙসিগী মনুংদা অসুম লৈনিংই। য়েংদুনা অসুম্মক লৈনিংই। য়েংবগী পেনবা নাইদে।

কোনুংদগী মপাল্লোমদা থোক্লকপগী লম্বীদা নুপী অমদা ঐখোয়গী য়োংখমগা মান্নবা ফিশাকোল অমদা ফি শাদুনা লৈরম্মী। ৱাগী শমচেংনা য়ৈদুনা শাবদু উবদা থাইনা ঐখোয়গী ইমা ইন্দোলশিংনা য়োংখমদা কোয়েৎ মচা শাবদু নিংশিংলকই। ঐখোয়গীগা য়াম্না মান্নে। মদুগী হেক মথংদা ৱানা শাবা ঐখোয়গী থুম্মোক, তাইরুক, ফিরুক, চাউবোৎনচিংবগা মওং য়াম্না মান্নবা পোৎশক ৩০ / ৪০ মুকসু পরেং শানা থেন্দুনা থমহৌই। পোৎশকশিংদুগী খুৎশা লাকশা, মওং মথৌ ঐখোয়গীসিদা লৈরিবা অসিগা য়াম্না মান্নে। ময়ামসি উরুবদা কম্বোদিয়াগী মীশিংগা ঐখোয়গা মতম অমদা মফম অমদা পুন্না লৈমিন্নরম্বা য়াই হায়না হায়নিংই।

[illegible]

AVAILABLE BRICKS IN THE FOLLOWING PRIZE

Class	Rate	Brick	Amount	Gari Charge	Labour	Total
1st	Rs. 9.50	3000	Rs. 28500	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 32100
1st	Rs. 9.50	2000	Rs. 19000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 21400
1st	Rs. 9.50	1500	Rs. 14250	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 16100
1st Rej.	Rs. 7.50	3000	Rs. 22500	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 26100
1st Rej.	Rs. 7.50	2000	Rs. 15000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 17400
1st Rej.	Rs. 7.50	1500	Rs. 11250	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 13100
2nd	Rs. 9.10	3000	Rs. 27300	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 30900
2nd	Rs. 9.10	2000	Rs. 18200	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 20600
2nd	Rs. 9.10	1500	Rs. 13650	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 15500
Peti	Rs. 6.90	3000	Rs. 20700	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 24300
Peti	Rs. 6.90	2000	Rs. 13800	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 16200
Peti	Rs. 6.90	1500	Rs. 10350	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 12200
3rd	Rs. 3.90	3000	Rs. 11700	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 15300
3rd	Rs. 3.90	2000	Rs. 7800	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 10200
3rd	Rs. 3.90	1500	Rs. 5850	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 7700

Contact:- 9856052197, 9862048579 (Sunday closed & Phone switch off)
PIS Brick Field, Wangjing Saban Chekon Leikai